**গোভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর**

**ডাইরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্স**

**.....**

**প্রেস রিলিজ**

**চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ অমসুং মীয়ামগী নুমিত্তা চিফ মিনিষ্টরনা ৱাকৎ ৩৫০রোম তাখী**

**চহী অমদা সরকার অসিনা পায়খৎকদবা থবকশিং অথুবদা লাউথোক্লগনিঃ চিফ মিনিষ্টর**

**ইম্ফাল, আগষ্ট ১৬, ২০১৭ (ডি আই পি আর)ঃ** মীওই চা কয়ানা ঙসি সি এম সেক্রেটরিয়েট্টা পাঙথোকখিবা চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ অমসুং মীয়ামগী নুমিত্তা মখোয়গী অৱাবশিং চিফ মিনিষ্টর শ্রী এন বিরেন সিংহদা ৱাকৎপা লাকখি।

চিফ মিনিষ্টরনা ৱাকৎ চাউরাক্না ৩৫০ রোম তাখী অমদি হকথেংননা মীওই ১৫০০ উনখি। ঙসিগী মীয়ামগী ৱাকৎ নুমিৎ অদু অয়ুক্কী পূং ৯দগী হৌরগা নুংথিলগী পূং ২ঃ৪০ ফাওবা চৎথখি।

হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিগী সাইদলাইন্দা চিফ মিনিষ্টর শ্রী এন বিরেন সিংহনা মেদিয়া পার্সনশিংদা হায়খি মদুদি নোং কন্না চুবদগী হন্দক্তা থোকখিবা ঈশিং-ঈচাউ অদুনা মরম ওইদুনা অমদি লৈবাক অসিগী মনুং অমসুং মপান্দা অথুবদা চৎখিবা মহাক্কী এনগেজমেন্টশিংনা আগষ্ট ১০ অমসুং ১৫দা পাঙথোকফম থোকপা চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকপা ঙমখিদবনি। মরম অসিনা পুন্সিল্লগা ঙসি অসি ওইনা থৌরম অনিমক পাঙথোকপনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চিফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি মমাঙগী চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ অমদি মীয়ামগী নুমিত্ত কেস খরগীদমক ডিপার্টমেন্টশিংদা পীখিবা ইন্সট্রক্সনশিং থবক ওইনা পাঙথোক্লমদবা, মতিক চাবা এক্সন লৌখৎলমদবগী ৱাকৎশিং ঙসি ঐহাক্না ফংই। মপুরোইবা লৈখিদ্রবা লুখ্রাবীশিংগী, ডিফরেন্টলি এবলশিং অমদি ষ্টেট অসিগী লাইরবা প্রজাশিংগী ফিভম খঙবদা অসুক্কী মতীক নুংঙাইতবা ফাওহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা সরকার অসিনা অথুবদা লাইরবশিং অমদি সরকারগী মতেং দরকার ওইরবা মীওইশিংদা কান্নবা ফংহন্ননবা অনৌবা ৱেলফিয়ার স্কীমশিং হৌদোক্লগনি হায়নসু শ্রী বিরেন না ফোঙদোকখি। ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মেডিকেল এসিষ্টেন্স, রিইমবর্সমেন্ট অমদি হেল্থ কিয়ার সরকারদগী থিরীবা পাল্লীবা মীওইশিংগীদমক হেল্থ ডিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং ডিপ্যুট তৌদুনা সি এম সেক্রেটরিয়েটতা থল্লীসু হায়খি।

সরকার অসিগী নুমিৎ ১০০নিগী প্রোগ্রাম মায় পাক্না লোইশিনখিবগা লোয়ননা সরকার অসিনা চহী অমগী মনুংদা লোইশিনগদবা থবকশিংসু লিষ্ট শেমদুনা লাউথোক্লনবা থৌরাং তৌরে। চয়োল অমগী মনুংদা ডিপার্টমেন্ট খুদিংগী মরী লৈনবশিং উনদুনা পাঙথোক্কদবা মরুওইবা এরিয়াশিং খঙদোক্কুনা, চহী অমগী এক্সন প্লান ওইনা পাঙথোক্লনবা পান্দম থল্লগনি হায়খি।

মমাঙগী সরকরগী মতমদা চথখিবা মাস রিক্রুটমেন্ট ড্রাইভকা মরী লৈননা য়েংশিন্ননবা শেমখিবা স্পীসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিমশিংগী রিপোর্টকী মতাংদা হংলকপা ৱাহং অমদা চিফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি স্ক্রিনিং ফগনা চথরবা মতুংদা, অথুবদা ওফিসিয়েল ওর্ডর অমা থোক্কুনা মীয়ামদা ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট অদু ফংহল্লগনি।

মতম খরগী মমাঙদা নুঙ্গৈদা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক অমদা খুঞ্জাশিংগী য়ুম ময়াম মৈ চাকখিবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা শ্রী বিরেন না হায়খি মদুদি সরকার অসিনা খুদোংথিবা নংলবা নুঙ্গৈ প্রজাশিংগীদমক চয়োল অমগী মনুংদা ময়ুম শাবীরগনি। চিফ মিনিষ্টরস রিলিফ ফণ্ডগী মখাদা মতেং পীরগনি অমসুং পি এম এ ৱাই নচিংবা স্কীমশিংগী মখাদা কান্নবসু মখোয়দা পীরগনি। মরী লৈনবা ডি সিশিংদসু খুদোংথিবা নংলবা প্রজাশিং অদুগীদমক য়ারিবমখৈ অথুবদা ইসু অদু লোইশিন্ননবা অমদি মখোয়বু অমুক হন্না খুন্দা-লৈতাহন্নবা খঙহনখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীয়ামগী মতেং নিরদুনা চিফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি মীয়াম্না থেংনরিবা ইসুশিং অমদি প্রোব্লেমশিংগী ৱারোইশিন পুরকপদা মতম খরা চঙখিগনি। সরকারনা পায়খৎলকপা খোঙথাংশিংদা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী মীনুংশি অমদি মতেং চঙই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোখি।

..............................................................................................................

SMD/APO(P) No. 913 16/08/2017